**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 30-11-2025)**

**---অকাশবানি ইম্ফাল মোইরাংথেম ইবেহাইবীনা পাড পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

**১) থা অসিগী ২১ দগী হৌদুনা চথূরকখিবা মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ ঙসি লোইশিল্লগনি।**

**২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৰা, মনকি বাটকী ১২৮ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।**

**অমসুং**

**৩) ছত্তিসগরদা চথূরিবা দি.জি.পি-আই.জি.পি কনফরেন্স ঙসি লোইশিনবগী মীফমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।**

**------**

**সঙাই (এল)ঃ নুমিৎ ১০ নি চুপা চথূরকপা মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ ঙসি লোইশিল্লগনি।**

**থা অসিগী ২১ দগী হৌদ্না চথূরকখিবা ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কলা সংস্কৃতি, জগোই ঈশৈ, লিটরেচর, স্পোর্টস য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোরক্লি।**

**ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না ফিলম ফেষ্টিভেল, ম্যুজিক ফেষ্টিভেল, শুমাং লিলা ফেষ্টিভেল, চেরি ব্লোসম ফেষ্টিভেল, ইন্তরনেসনেল পোলোনচিংবা পাঙথোকখি।**

**ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা**

লৈবা ভগ্যচান্দ্র ওপন ইয়ার থিয়েটরদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম গভর্নমেন্ট দান্স কলেজগী কোরিওগ্রাফিক প্রজেন্টেসন অমা উৎকনি। মিস শঙাই ২০২৫ গী গ্রান্দ ফিনালেসু মফম অসিদা পাঙথোক্কনি।

হপ্তা কাংজৈবুদা নুংথিল পুং ৩ দগী হৌদুনা পান্থোইবী শৈথা, তম্ফম লোইশঙশিংগী ঈশৈ অমসুং তাঙ্খুল ফ্যুজন মুজিক পাঙথোক্কনি।

ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক পাৎতা চখুরিবা থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি অরোইবা নুমিৎতা লান তানবা, খু ইন চিংবা, লোংথ্রাই ইনবা অমদি পো-পা হি য়ৈবা অসিনচিংবা পাঙথোক্কনি।

খুমন লম্পাক আর্চরি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা শঙাই ম্যুজিক ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা ইরমদমগী অমসুং লৈবাক অসিগী আর্টিষ্টশিং অমস্ং বেন্দশিং ম্যুজিক পার্ফোমেন্সশিং ঙসি নুমিদাং পুং ৭ তগী হৌদুনা ঙৎকনি।

আইএনএ (এল)ঃ ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মি (আই.এন.এ)গী ফ্রিদম ফাইতর থোকচোম অঙৌ সিংহগী ১৩৬ শুবা মপোক কুমওন ঙসি ইম্ফালগী কৈশামপাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আর ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি। থোকচোম অঙৌ সিংহ বার্থ এনিভর্সরি সেলেব্রেসন কমিতিনা শিনবা থৌরম অদুদা মহারাজা বুদ্ধচন্দ্র কলেজগী হান্নগী ভাইস প্রিন্সিপাল শনাশম উমানন্দ সিংহ, পোকফম পাউচেগী ইদিটর অরিবম রোবিন্দ্রো শর্ম্মা, সেনিয়র সিতিজন ফোরম শিংজমৈগী প্রসিদেন্ট থোকচোম ইবোপিশক সিংহনচিংবা শরুক য়াগনি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৮ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা

হয়েং শন্দোক্কনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ছত্তিসগর রাইপুরদা চথরিবা দিরেক্তর জেনেরেল অমসুং ইন্সপেক্তরস জেনেরেল ওফ পুলিসকী ওল ইন্দিয়া কনফরেন্সতা শরুক য়াখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- কনফরেন্স অসিগী অহানবা নুমিৎতা ভারতকী ঙাকশেলগী লমদা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা চাউনা অহোংবা পুরকবা থৌশিং কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মসি লম অসিদা অনৌবা নিয়ম অমদি চাওখৎ খোঙথাং কয়া খন্ননবগী অচৌবা প্লেটফোর্ম অমনি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা নৱা রাইপুরগী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টতা হৌদোক্লুনা নুমিৎ হুমি চুপা চথরক্লিবা মীফম অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎকী সেসনদসু শ্রী মোদি শরুক য়াগদৌরি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবাল, কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি, তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী দি.জি.পিশিং অমসুং সেন্ত্রেল পুলিস ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং মীফম অসিদা শরুক য়ারি।

দি.জি.পি-আই.জি.পি কনফরেন্স অসিগী চহি অসিগী হিরমনা ভিক্সিত ভারত: সেক্যুরিতি দাইমেনসন্স হায়বসিনি। মীয়াম্বু অনৌবা পুন্সি মহিংগী শিংনবশিংদগী ঙাকথোকবা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতি ফ্রেমৱার্কশিং শেমগৎপদা মীফম অসিনা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। লেফটৱিং এক্সত্রিমিজম, কাউন্টর তেরোরিজম, দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, নুপীশিংগী ঙাকশেল, ফোরেন্সিক সাইন্স অমসুং আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স য়াওনা লৈবাক্কী ওইবা মরুওইবা ঙাকশেলগী সমস্যশিংগী মতাংদা কেনফরেন্স অসিদা কুপা খন্নখি। মীফম অসিগী মনুং চন্না প্রধান মন্ত্রিনা মথৌ নিংথিনা তৌবা পুলিস পার্সোনেলশিংদা প্রসিদেন্টস পুলিস মেদলসু খুৎশিন্নগনি।

মীফম ঃ হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সংসদকী নীংথম মীফমগী মাংওইননা সরকারনা

ঙসি রাজনীতি দল পুমমক্কী মীফম অমা নিউ দিল্লিদা কৌরি। কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজুনা সংসদকী সভা অনিমক্কী লুচিংবশিংগা উন্নগনি। মীফম অদুদা সরকারনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীফম নিংথিনা অশোই্ অঙাম য়াওদনা পাঙথোকবগীদমক রাজনীতি দলশিংদগী মতেং পাংবীনবা হায়জগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রিজিজুনা হায়- রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিংগী মীফমদা সরকারনা মখোয়গী মোৎশিং তাগনি। সংসদকী নীংথম মীফম মথং থাগী ১৯ ফাওবা চত্থগদৌরিবা অসিদা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা হিরম কয়া পুখৎতুনা খন্নবগা লোয়ননা পাস তৌনবা হোৎনগনি।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন ঙসি হরিয়ানাগী কুরুক্ষেত্রদা চৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী রাধাকৃষ্ণন্না কুরুক্ষেত্রগী নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিগী ২০ শুবা কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি। হৌজিক চত্থরিবা ইন্তরনেসনেল গীতা মহোৎসবকী মনুং চন্না পাঙথোক্কদবা অখিল ভারতিয়া দেবস্থনম সমেলনদসু উপ-রাষ্ট্রপতিনা শরুক য়াগনি।

থাইলেন্দ ঃ থাইলেন্দগী ফোরেন এফ্যারস মন্ত্রি সিহাসক নুমিৎ মরিনিগী ভারত খোঙচৎতা ঙসি নিউ দিল্লিদা থুংখ্রে। খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা তেংবাং পীনদুনা লৈবাক অনিমক পুন্না চাওখৎমিন্নবগী পান্দম থল্লি। মহাকা হয়েং হাইদ্রবাদতা মপাল থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করগা উন্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই ফেষ্টিভেলগী মায়োক্তা আই.দি.পিশিংনা চংশিনবা খোঙজংদা গ্বালতাবীদা ইরাং থোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আই.দি.পিশিংনা য়ুমদা হঞ্জিনজরগে হায়বগী খোঙজংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগা মুকশ্রে, পুলিস অমসুং পাউমী য়াওনা ৭ শোক্লে হায়বসিনা শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক্কী চাউনা হেদলাইন তৌরি।

ড্রগ লৈবদা ইন্দিয়ানশিংগী জি.এস.টি ম্যান্মার মচাশিংনা শিজিন্নরম্বা থেংনরে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংহলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু আই.দি.পিশিংনা ময়ুমদা হঞ্জিনজরগে হায়দুনা ইরাং হৌরকপদা সেক্যুরিতিগা চাউনা মুকশ্রে, ৬ শোক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চংনবা নাগা লুচিংবশিং পুনশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। কুকিনা লৈতানপোকপী, উয়োক চীং ফাওরগা লম্বী শেন্বা য়ারোই, গভর্নরগা উন্নগনি হায়না এম.এল.এ- টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা ফোংদোরকপা ৱাফম অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা অহানবা ওইনা অচৌবা ড্রগকী নেটৱার্ক অমা খঙদোকপা ঙমখ্রে হায়বা পাউ অমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। অসাম রাইফলসনা তেংনৌপলদা আই.ই.দি মঙা ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- আই.দি.পিশিংনা গ্বালতাবী তমা থোমজিনবদা সেক্যুরিতিনা থিংখ্রে, মীওই কয়া শোক্লে। দিসেম্বর ফাওবদা য়ুমদা হঞ্জিনহনগনি হায়বা লৈঙাক্কী ৱাফম থাজদে হায়না আই.দি.পিগী মাইকৈদগী ফোংদোরকপা ৱাফম অসিগা লোয়ননা গ্বালতাবীদা মৈতৈ চংলকপা য়ারোই হায়না মশিং য়াম্লবা কুকিশিংনা রেল্লি চৎখি হায়বসিনা অহানবা পাউ ওইরি। পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইনদা কুকি লালহৌলুপকী কাদর মরিদগী লুপা লাখ কয়াগী শেনফম ফাগৎখ্রে হায়না ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- শঙাই ফেষ্টিভেলগী মনুং চনবা লোক্তাক পাৎতা

পাঙথোক্কদবা থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মিজোরমদগী ফাখিবা ড্রগ কেস থিজিনবদা অচোবা নার্কোটিক নেটৱার্ক লৈবগী খুদম ফংলে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আই.দি.পিশিংনা মশাগী ময়ুমদা চংজরগে হায়বগী খোঙজং খংকন কনশিল্লক্লে, থ্বালতাবীদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তিয়ার গ্যাস কাপ্লদা আই.দি.পিশিংনা খোঙফম হন্দোকউ য়াদবদগী নোংমৈ কাপখ্রে, ৭ শোক্লে হায়বা অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

১৫ শুবা মণিপুরনা পোলো ইন্তরনেসনেল ত্রোফি মণিপুর লৌরে হায়বা পাউ অসিনা মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------